অহুমশুবা ষ্টেট লেবেল তোংব্রাজ ফেষ্টিভেল

মণিপুরি থিয়েটর একাদেমীগী 'হায়েনানা নোকপা'উৎখ্রে

একেন সিজগুরুময়ুম

ঔগ্রি থিয়েটর রিপরটোরি ইম্ফালনা শিন্দুনা অহুমশুবা ষ্টেট লেবেল ফেষ্টিভেল ওফ জি.সি. তোংব্রাজ প্লেজ হৌজিক এম দি য়ু হোলদা চংখরিবা অসিগী নিনি চনবা নুমিৎ ঙসি মণিপুরি থিয়েটর একাদেমীগী 'হায়েনানা নোকপা' হায়বা প্লে অসি উৎখি।

প্লে অসিগী অশঙ্বা ৱারিদি অচুম্বা পামজবা নুপা অমনা মচানুপা অমা পোক্লবা মতুংদা মচানুপী অনি অমসু পোক্লম্মী। মচানুপা অদুবু রামকুমার হায়না থোনলম্মী। অদুগা মচানুপী অহল অদুনা সনা অদুগা অতোম্বী অদুনা লুপা হায়না থোনখি।

জি সি তোংব্রাগী ৱাখল্লোন্দি মীয়াম্না শকখঙবিদ্রবা আর্টিষ্টশিংবু পুক্নিং থৌগৎপা মতম ওইরে হায়না পাউখোং চনবগী মওংদা ইরম্বা প্লে অমনি। মসিদা মহাক্না খল্লম্বা কয়া অদু থবক্তা পাংথোকপা ঙমদনা শিখিবা কয়া অসিবুসু অমুক হন্না নীংশিংহল্লি।

প্লে অসিগী ৱারি পরিং অদুদা রামকুমারগী লৈখিদ্রবা মপা অদুনা মহাক্কী মমঙদা লাক্লগা মচানুপী অনিবু মীয়াম্না থৌশাবিদ্রবা আর্টিষ্ট অদুদগী অথোই অহেন তান্নরগা মকোক তাবদা মচানুপী অহল থাজবা অদুগা অনিশুবা তাবা অদুদনা মচানুপী অতোম্বী থাজবা কয়া অসি পাংথোকউ হায়রম্লগা চৎখি। মচানুপা অসিনা মপানা হায়রম্বশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্তু অফবা মীওই অনি খনখি। অদুবু নুপী মশা–মশানা হান্না শকখঙনবা ইন্টভিয়ু অদুদা মায় পাকখ্রবা কেন্দিদেট অনি অদুদা লৈতবা য়াদে হায়দুনা ৱানোম্বগী মওংদা খল্লবা মীওই অনি অদুবু চাবদা পংথনবা হিদাক হাপচিন্দুনা লুহোংনবা হোংনবদা লাইওখ্রবা মপা অদুনা মণিপুর পুম্বদা য়ুহা হাহনখিবা কয়া অদু উৎপা প্লে অমনি।

প্লে অসিদা পার্ফোম তৌখিবা এক্টরশিংনা য়াম্না নীংথিনা এক্ট তৌখিবা প্লে অমাসু ওইখি । ৱারি য়াওরিবশিং অদু দিরেক্টর ওইরিবা শরুংবম বিরেননা য়াম্না নীংথিনা মাগী পার্ফোমরশিংদা তম্বীখিবা অমদি পার্ফোমরশিংনসু মায় পাক্না শান্নখিবা প্লে অমা ওইখি।

প্লে অসিদা মপা শাখিবা ঈ ৱোজেনগী এক্ট অদুবু মীয়াম্না পেনবা ফোংনখি। লোয়ননা থেকনৌ শাখিবা ঈ সুভাসচন্দ্র অমদি অহৈ অপা শাখিবা সি ঐচ প্রেমজিৎকী এক্টশিং অদুনা প্লে অদুবু য়েংলিবা মীয়াম্বু পেন্না নোকহনবা ঙমখি। হারৌ শাখিবা পি নন্দকুমারগী ঈশৈ অদুনা মীয়াম্বু অমুক্কা হেন্না পেন্না নোকহনবা ঙমখিবগী মথক্তা লীলা অসিগী মেন রোল কুপ্পীবী ঙানু লৈমগী শক্তম লাংখিবী সি ঐচ লিলাবতিনা ডাক্তর নুপী অমা শারগা মহাক্কী মনাউনুপী ওইগদৌরিবা সনা অমদি লুপাগী হকচাং চেকঅপ তৌবা মওং অদুদা ভাবোক্না হেন্না ঙকপা অমসু ফাওহনখি।

ইন্টর্ভিয়ুগী শরুক অদুনা লীলা অসিগী খ্বায়দগী ফজবা মতাং অমসুং ওইখি। মসিদা অহৈ অপা শাখিবা সি ঐচ প্রেমজিৎকী এক্টিং অদুবু মীয়াম্না অপেনবা ফাওখি। মহাক্না হূই অমা শাদুনা হূইগী হৈনবী কয়া উৎপা অদুদা অয়েংবশিংনা থাগৎপা ফোংনখি হায়বা য়াই।

হয়েং বন্দ লৈবনা মরম ওইদুনা হয়েং উৎকনি হায়না তৌরম্বা প্লে অদু তাং ৩০ ওইনা উৎলগনি।

ওফিস মেমোরেন্দম ইশু তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ঃ ফাইনান্স কম্মিসন এৱার্দকী মখাদা জিলা পরিষদ অমসুং গ্রাম পঞ্চায়েটশিংগী ৱার্ক এষ্টিমেট শেম শানবগী অনৌবা ক্রাইটেরিয়াগী ওফিস মেমোরেন্দম ইশু তৌরে হায়না রুয়েল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েটি রাজ দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

সরকারগী চেরোল অমনা হায় অনৌবা ক্রাইটেরিয়া অসি ৱার্ক এষ্টিমেট শেম শাবদা অমসুং ৱার্ক প্রোগ্রামশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা প্রোসেস খুদিংমক ষ্ট্রিম লাইন তৌনবনি। ওফিস মেমোরেন্দ অদুগী মতুংইন্না জিলা পরিষদ অমসুং গ্রাম পঞ্চায়েটশিংনা এম এস আর ২০১২ দা য়ুম্ফম ওইরগা শেনবা চহি ২০১৪ –১৫ দগী হৌদুনা মরী লৈনবা সেক্সন ওফিসারশিংনা ৱার্ক এষ্টিমেট অদু শেমগবনি অমসুং এষ্টিমেট অদুদা ভেদকী চাদ ৫.৬৫ অমদি লেবর সেস চাদ ১ সু য়াওগদবনি হায়রি।

পুনেদা লিগেল এৱারনেস সেসন পাংথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৮ঃ এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরি দাইপোরা (এ এম এ এন দি) পুনে না শীন্দুনা ঙরাং আর এন্দ দি ঈ–(ইঞ্জিনিয়ার) পুনেগী ওফিসার মেছতা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱার্নেস ইন্টনেটিব সেসন পাংথোকখ্রে।

এদভোকেট বি আই তালেকনা লিগেল এদভাইজর ওইদুনা পাংথোকখিবা লিগেল এৱার্নেস সেসন অদুগী মরুওইবদি সোসিয়েল জষ্টিসকা মরী লৈনবা ইশু অমসুং রাইটকা মরী লৈনবা আইনগী ওইবা মচাকশিং খঙহন্নবা হোংনবনি। এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরি দাইপোরা পুনেগী সেনিয়ার মেম্বরশিং অমসুং মহৈরোই কয়ানা সেসন অদুদা শরুক য়াখি। লিগেল এদভাইজর ওইরিবা এদভোকেট কালেকরনা এক্সিদেন্ট, হিট এন্দ রনকেস, রেপ অমসুং মোলেষ্টেসন কেস অমদি তোঙান তোঙানবা কম্যুনিটিশিংগী মরক্তা লৈবা খেন্নবশিংগা মরী লৈনবা সোসিয়েল অমসুং লিগেল ইশুশিংগী মতাংদা মরিক চুম্না নৈনদুনা খঙহনখি। অসিদসু নত্তনা থৌদোকশিং অসিগা মরী লৈনবা আই পি সি অমসুং সি আর পি সি এক্টকী মতাংদসু খন্ন–নৈনখি। সেসন অদু ৱারেন্ট ওফিসার টি পকাসনা সিংহ (রিটয়ার)না কো–ওর্দিনেট তৌখি।

এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরি দাইপোরা পুনে অসি পুনে অমসুং অকোয়বদা লৈবা মণিপুরি প্রোফেসনেলশিংনা নন প্রোফিট নন গভর্নমেন্ট কম্যুনিটি ওর্গনাইজেসন ওইনা ইং ২০১১ গী সেপ্তেম্বর থাদা লিংখৎখিবনি। অদুগা সোসাইটি রেজিষ্ট্রেসন এক্ট ১৮৬০ গী মখাদা মহারাষ্ট্রাগী পুনেদা রেজিষ্টার তৌখিবনি হায়রি।

লমাই ১গী মখা

এম য়ুগী ১৪ শুবা কনভোকেসন ....

আই আর বিগী অপুনবা টিম অমনা শিংজমৈ ময়েংবম লৈকাই অমদি ককৱা অশেম লৈকাইদা পাক শন্না ওপরেসন চখ্রে। মদুদা বেলদা লৈবা মীওই ৭ য়াওনা পুন্না মীওই ২৭ মখা তানা ৱাহং পাউহংনবা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্দা পুখ্রে হায়রি।

৪০ শুবা অসাম রাইফলস অমসুং পুলিস কম্মান্দোগী অপুনবা টিম অমনসু ঙসি ইম্ফালগী টুলিহল এয়ারপোর্টকা লোয়ননা লৈবা নিঙোম্বম এরিয়াদা পাক শন্না ওপরেসন চখিখি।

ভরতকী প্রসিদেন্ট খোঙচৎ অসিবু অথিংবা পীরদুনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংনা হয়েং অয়ুক পুং ৬ তগী হৌনা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখিবনা মরম ওইরগা সেক্যুরিটিগী অকন্নবা চেকশিন থৌরাংসু হান্নদগী হেন্না লৌখৎখি।

ঙরাংসু গভর্নর ভি কে দুগ্গলনা এময়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোঃ ঐচ এন কে শর্ম্মা য়াওনা প্রসিদেন্ট খোঙচৎ অসিগী সেক্যুরিটিগী মতাংদা কুপ্না খন্নখ্রবনি।

তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপ ৬ কে সি পি, কে ৱাই কে এল, প্রিপাক, প্রিপাক (প্রো), আর পি এফ অমসুং য়ু এন এল এফকী অপুনবা কোওর্দিনেসন কম্মিটি (কোরকোম) না ভারতকী প্রসিদেন্ট খোঙচৎ অসিবু বোয়কোট তৌবগা লোয়ননা হয়েং অয়ুক পুং ৬ তগী হৌরগা পুং ১২ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক ষ্টেট শিনবা থুংনা লাওথোকখ্রবনি। অসিদসু নত্তনা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা প্রসিদেন্ট খোঙচৎকা মরী লৈননা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী মণিপুর বন্দ তৌখিবসু লৈখ্রে।

য়ুনাইটেদ রিভোল্যুস্নরি ফ্রন্ট য়ু আর এফনা ভারত প্রসিদেন্টকী খোঙচৎতা অথিংবা থমগনি হায়নসু লাওথোকখ্রবনি। তোঙান তোঙান্না থল্লিবা অথিংবা অসিদা দরকার ওইবা মৈ ঈশিং, অনা লায়েং অমদি লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা থবকশিংদি কোনশিল্লোই হায়না লাওথোকখিবনি।

লমাই ১গী মখা

লনাই হোস্পিটাল ১দি হোটেলশিংগী ...

দ্রাইভরশিংগীদি পার্কিং অমত্তা ঙসি ফাওবা পীবিদ্রি। মসিগী মথক্তা রিক্সোশিংগী ভারা ঙসি ফাওবা মরী লৈনবা আই এম সি অমদি সরকারনা শিনবীবা লৈত্রি।

অদুমকপু লমদম অসিদা নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা রিক্সো দ্রাইভরশিংনা ইশাগী থৌদাং পাংথোক্তুনা শেন্দান লম্বী অসিদা চংশিনবদা ইকাইনিংঙাই ওইদে। মসিগী মহুত্তা ইশানা ইশাবু থাজবগা লোয়ননা অচুম্বা লম্বীদা থবক তৌনবা হোৎনগদবনি অমদি পুন্না লিংজেল মান্ননবা হোৎনগদবনি।

দিষ্ট্রিক্ট ৯ গী রিক্সো দ্রাইভরশিং পুন্সিনবদা খুদোং চাদবা মায়োক্নরবসু এসোসিয়েসনগী মখাদা লৈরিবা রিক্সো দ্রাইভরশিংগী ওইবা পেন্সন স্কিম পায়খৎতুনা অৱাৎপশিং অদু সরকারনা পীবিনবা তক্নবদা মতেং পাংগনি হায়না শ্যামজাইনা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ৱাই মনি খুমন, য়ু সি এমগী প্রসিদেন্ট ৱাই নবচন্দ্র, পান্দমগী প্রসিদেন্ট দিলিপকুমার য়ুম্নামচা, য়ু পি এফ কী প্রসিদেন্ট বি এম য়াইমা সাহ, অকোমলুপকী প্রসিদেন্ট কেএসঐচ সোমেন্দ্রো, এ এম আর দি পি দব্লিউ এগী এদভাইজর এস ঐচ নবা শর্ম্মা অমদি প্রসিদেন্ট টিঐচ বসন্তনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঈশিং ফংদবগী মতাংদা ....

ৱাঙাং ঙাংখিবা অসি দাইত্ব লৈতবা মিনিষ্টর অমগী ৱাঙাংনি। অসিগুম্বা ৱাঙাং অসি কন্দেম তৌবগা লোয়ননা ঈশিং ফংদবগী মতাংদা মণিপুর সরকারনা কেবিনেট ফমখ্রবসু ঙসি ফাওবা থৌরাং অমত্তা পায়খৎত্রিবসি লাইবক থিবা অমনি হায়খি।

এন সি পিগী ষ্টেট সেক্রেটরি ইবোয়াইমা না ফোংদোকখিবদা মণিপুরদা হৌজিক ঈশিং ফংলত্তবদগী ৱাটর বোন্দ দিজিজ কয়া থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরবা ফাওবা মণিপুর সরকারনা তুমিন্না লৈশিল্লিবসি অচুম্বা খোঙথাং অমা নত্তে হায়রদুনা সরকারগী থৌওংবু কন্দেম তৌফম থোকই হায়খি

য়ু থকমিন্নরগা ...

নক্লনা লৈবা খোঙবান অমদা নমশিনবদা য়ু কা হেন্না ঙাওমনবনা মরম ওইদুনা ইবোতোন মফম অদুমক্তুদা লাইকন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি।

থৌদোক অদু লৈকায় মীয়াম খঙনরক্তুনা বাবুবু ফানবা থিবদা হান্না মফম অদু থাদোক্তুনা চেনখিবনা থিবা ফংখিদে। তুংদা কুপ্পী পুলিসনা নুমিদাং পুং ১১.৫০ রোম তাবা অদুৱাইদা লৈকাই অদুদা লোৎতুনা লৈরম্বদগী মহাক ফাগৎখ্রে হায়রি।

অমরোমদা লৈখিদ্রবা বাবুগী হকচাং রিমসতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা ইমুং মনুংদা শিন্নখ্রে হায়রি।

সিভিল সার্ভিস একজামিনেসন্দা ....

ওইরক্কদবশিংগী য়াম্না মরু ওইবা সিভিল সার্ভিস একজামিনেসন অসিদা এম পি এস সি না ফাগীদৌনা চংখরকপা অসি মহৈরোই লুপ ৬ না কন্দেম তৌই। মমাংদসু ৱেভসাইট অমদগী পুল্লপ লৌথরগা হংখিবগী ৱাথোক লৈখ্রে। অরানবা কয়া তৌদুনা মতৌ করম্না মেথমেটিক্স ৱাহং ফাওবদা য়ু পি এস সি দগী লৌথোক্লগা হংলিবনো হায়না হংখি।

অরোইদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা অরানবা ৱাহং কয়া য়াওখিবা অদু এম পি এস সি না ফজনা মোনিটর তৌদবদগীনি। মসি চুমথোকপা চঙই। অরানবা অশোইবশিং অদু এম পি এস সি না হায় পৱার কম্মিটি অমা শেম্লগা কুপ্না য়েংশিন্দুনা ৱাহং শেম্বদা কনা কনা য়াওবা, করিগীদমক লান্না শেমখিবনো হায়বদু অথুবা মতমদা লৈবাক মীয়ামদা শেংদোক্কদবনি হায়খি।

[illegible]

[illegible]



[illegible]

অপুনবা পোলিটিকেল পার্টিগী মীফম পাংথোক্তুনা ঈশিং ফংদবগী মতাংদা গভর্নরদা খঙহন্নবা ৱারেপ লৌখিবদা শরুক য়াখিবশিং

লমাই ১গী মখা

[illegible]

[illegible]

[illegible] (Time to time rate changeable)

AVAILABLE BRICKS IN THE FOLLOWING PRIZE

Class	Rate	Brick	Amount	Gari Charge	Labour	Total
1st Rej.	Rs. 6.90	3000	Rs. 20700	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 24300
1st Rej.	Rs. 6.90	2000	Rs. 13800	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 16200
1st Rej.	Rs. 6.90	1500	Rs. 10350	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 12200
Peti	Rs. 6.90	3000	Rs. 20700	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 24300
Peti	Rs. 6.90	2000	Rs. 13800	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 16200
Peti	Rs. 6.90	1500	Rs. 10350	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 12200
3rd	Rs. 3.70	3000	Rs. 11100	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 14700
3rd	Rs. 3.70	2000	Rs. 7400	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 9800
3rd	Rs. 3.70	1500	Rs. 5550	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 7400
2nd	Rs. 8.90	3000	Rs. 26700	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 30300
2nd	Rs. 8.90	2000	Rs. 17800	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 20200
2nd	Rs. 8.90	1500	Rs. 13350	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 15200
1st	Rs. 9.50	3000	Rs. 28500	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 32100
1st	Rs. 9.50	2000	Rs. 19000	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 21400
1st	Rs. 9.50	1500	Rs. 14250	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 16100

Contact:- 9856052197, 9862048579 (Sunday closed & Phone switch off)
PIS Brick Field (Machanised). Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.

পায়েংজরি DUTTA CLINIC পায়েংজরি

উনসাগী লায়না, অত্তৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্ট্রিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং হ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

অত্তৌবা পকপা :
[illegible]

তাং-তাং চিকপা :
[illegible]

দাইবেটিসকী প্রোব্লেম :
[illegible]

নুংশং :
[illegible]

গ্যাষ্ট্রিকী প্রোব্লেম :
[illegible]

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবীয়ু!

নুপাগী প্রোব্লেম :
[illegible]

নুপীগী প্রোব্লেম :
[illegible]

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম
[illegible]

শমগী প্রোব্লেম
[illegible]

[illegible]

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
HOMEO & UNANI MEDICINE
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong Imphal

COCI
COMBINED COACHING INSTITUTE
URIPOK KHOISNAM LEIKAI, OPPOSITE OIL PUMP (IMPHAL)
A mission for a better society

Okram Napoleon, D. Saud, Sadananda, Joychandra, N.Samananda, W. Mustakim, Chingkheingambe, Robinson

ADMISSION OPEN
ADVANCED FOUNDATION COURSE (COHSEM & CBSE)
*CLASS XI & XII Sc.
Phy, Chem, Maths, Bio & Eng

SPECIAL FEATURES:
- Analysis of the most probable Q with Ans for Final Exams, 2015
- Regular Sunday Unit Test Series
- Provided High Scoring Exam. Technique
- Vision for Toppers.
- Taught by well experienced Faculties.
- 50% Fee concession for Physically challenged students.

CLASSES COMMENCING ON 3rd APRIL, 2014
CLASS X (FC) - FIRST BATCH - Classes commenced
CLASS X (FC) - SECOND BATCH - Classes commencing from 1st Week of May

Facilities:
Separate Hostel for Boys & Girls and Van Service
ADMISSION FORM AVAILABLE FROM 04:30 a.m. TO 07:30 p.m.
CLASS SCHEDULE
Morning : 04:30 to 07:30 a.m.
Evening : 04:30 to 07:30 a.m.
FOR DETAILS PLEASE CONTACT: OFFICE, COCI